FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.488078
US Dollar	73.894820
British Pound	97.982193
Australian Dollar	54.597613
Chinese Yuan Renminbi	11.300673
Japanese Yen	0.708935
Malaysian Ringgit	18.150362
Singapore Dollar	55.232710
South Korean Won	0.067986
Saudi Arabian Riyal	19.705285
Thai Baht	2.443672
Myanmar Kyat	0.05625
Bangladesh Taka	0.87353

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	49537.00
Mumbai	–	Rs	49300.00
Delhi	–	Rs	49211.00
Kolkata	–	Rs	49405.00

GAS NEWS

CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO : 28/10/20
VALID FROM 22/10/20
19kg AVAILABLE
TIMING 08.00 to 10.00am

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto sl.no.200 A&B of 04/11/2020
Valid from 29/10/20
Time 7.30 to 11am

IMPHAL LPG SERVICE
Home Delivery
Booking : 02/12/20
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers 6009392991 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no

HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 16/10/2020
BOOKING UPTO: 21/10/2020
BOOKING ONLY: 3852444677
ENQUIRY ONLY: 9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM

LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UP TO- 26-10-2020
VALID FROM : 16-10-2020
STOCK : 1200
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

HIYANGTHANG INDANE
Booking : 07-10-20
Valid : 06-10-20
Only home del. Service.
Whatsapp no. 7085557686.
Office no. 6381538861.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Stk.-306

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 16-10-20
B/upto - 20-10-20
Stock : 306
7am to 10am

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 09-10-20
Only home delivery (within 3 days)
Contact no. 7005771527
Office no. 9774068549
Whatsapp no. 8794973019
Time : 7.30am to 10.am

MAIBIA GAS MOIRANG:
BOOKING UPTO: 26/10/2020
VALID FROM : 24/10/2020
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP - 9612883295 (MOIRANG A/C). 2. AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3. AMARJIT - 9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO : 13-10-2020
VALID FROM 10-10-2020
STK : 306
TIME 7:00 -10:00
HOME DELIVERY
DATE 08-12-2020
CONTACT NO 7005695308, 6009772483

GBD INDANE SERVICE
Booking upto :- 30/10/2020
Valid from :- 12/10/2020
Stock :- 386
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days)
Working hours 7:30 AM-12 Noon (Everyday Except Holiday)
Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry

MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING: 8:00 am to12:00 Noon
BOOKING : 25.10.20
VALID : 14.10.20
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 8131852580, 9774722106, 9089370369
FOR ALL WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM, YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM, MONGSANGEI, LANGTHABAL, SAGOLBAND, TAOBUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM, LANGOL URIPOK, SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 8131942156, 7630902992, 7627968997
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS

MANIPUR GAS SERVICE
Booking up to : 06/11/2020
Valid from 18/10/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 8730954041, 8259969582
Office Timing:8amto12.00 noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

JEMON GAS SERVICE SINGJAMEI CHINGAMATHAK
Booking upto : 22/10/20
Valid from : 30/09/20
Time 8:00 to 11:00 a.m
Call only
A) 6033989480 Naoriya Pakhanglakpa, Keishamthong, Sagolband.
B) 6033989481 Singjamei, Yaiskul, Wangkhei, Langthabal
C) 6033989482 Thongju , Khurai Wangoi, & other
Plase complaint Delivery after 4 days
Booking After Delivery

ওজা অমদি মহৈরোয়শিংগী খোল্লাও তাদনা তূমীন্না লৈশিনবা লাইবক থিবনিঃ দেসাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): ষ্টেট অসিদা লৈরিবা দিপ্লোমা ইন ইলিমেন্টরি এদ্যুকেশনগী তম্ফম ওইরিবা দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুট ফোর এদ্যুকেশন এন্দ ট্রেনিং সেন্টরশিং অসি অৱাৎ-অপা অমদি চয়েৎনবা কয়ানা কাং-খোং চাইহনবগী ফিভম অমদা লৈহন্দুনা ক্বালিটি লৈবা ওজা কয়া পুথোকপা ঙমহন্দবগী ফিভম অমদা লৈরে হায়না দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট্স এল্লায়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী সেক্রেটরি পল্লিসিটি এন্দ প্রোপেগন্দা এস ঐচ রিসিকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুট ফোর এদ্যুকেশন এন্দ ট্রেনিং ইম্ফাল ইষ্ট কৈকোলদা প্রিন্সিপাল ইন-চার্জ হাপ্পদা সিনিয়ারিটি লিষ্ট থুগায়রকপদগী ওজাশিংনা য়ানীংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোল্লবসু গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফাওবা তূমীন্না লৈশিল্লিবা অসি দেসামনা অঙকপা পোকই। দেসামনা পামজবদি দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুট ফোর এদ্যুকেশন এন্দ ট্রেনিং কোলেজশিং অসিদা রেগুলর প্রিন্সিপালশিং লৈহনবনি। অদুবু রেগুলর প্রিন্সিপাল অমা লাক্ত্রিঙৈদা পুগদৌরিবা ইন-চার্জশিং অসি খনবদা সিনিয়র ওইবা মতীক চাবা মীওই কয়া হুন্দোক্লল্লগা সিনিয়ারিটি লিষ্টকী ৫০শুবা মফমদা লৈবা মীওই অমবু খনগৎলকপা হায়বসি কনামত্তনা য়াফম থোক্তে। লোয়নননা সিনিয়র ওইরবা ওজাশিংবু ইকায়বা পীবনি হায়নসু দেসামনা লৌই।

ওজাশিংগী মরক্তা ৱাচৎ ৱানোম তৌদুনা ইন-চার্জ প্রিন্সিপাল ওইনবগী চৎনবী অমসু গভর্ণমেন্টনা শাগৎপীগনু। ইন-চার্জ খনবা মতমদা সিনিয়ারিটি লিষ্ট থুগায়বীগনু। লোয়নননা রেগুলর প্রিন্সিপালশিং অথুবদা খনবীয়ু হায়না দেসামনা মমাঙদা আপীল কয়া তৌখিবা লৈখ্রে। অদুবু লাইবক থিবদি ঙসি ফাওবা লৈঙাক্লা চয়েৎনবা কয়াশিং অসি লোইশিনবগী মহুত্তা তাশিন-উশিন্নদনা লৈবগী থৌওং অসি দেসামনা হকচিন্না লৌই। মরম অদুনা চয়েৎনবা অসি অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি লৈঙাক্লা হোৎনবীয়ু। করিগুম্বা মখা তানা তূমীন্না লৈশিল্লবদি পামদবা থৌদোক কয়া থোক্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

অমরোমদা, হৌজিক হৌজিক তামৈগী দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুট ফোর এদ্যুকেশন এন্দ ট্রেনিং সেন্টর অসিগী প্রিন্সিপালগী ফম হাংলিবা অসিসু অথুবা মতমদা মেনশিনবীয়ু। লোয়নননা দিষ্ট্রিক্ট ইন্সটিট্যুট ফোর এদ্যুকেশন এন্দ ট্রেনিং সেন্টরশিংদা রেগুলর প্রিন্সিপাল হাপ্পীয়ু। করিগুম্বা তঙায়ফদনা ইন-চার্জ প্রিন্সিপাল হাপ্পা তারগসু মতিক চাবা মীওই ওইনা হাপ্পীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কুম্বী খুঞ্জিলদা সি এম সিনা লম্বী শেংখ্রে

SOCIAL SERVICE
SWACHH SURVEKSHAN
2021
Keep the habit of cleanliness ; Make COVID free
KUMBI MUNICIPAL COUNCIL

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলনা শীন্দুনা কুম্বী খুঞ্জিলদগী ৱেলকম টু কুম্বী থাবা গেট লৈশাবী থোং ফাওবগী লম্বীদা লৌ য়ৈরুবা ট্রেক্টর কয়াগী চকা অমদি ফৌ চিংখৎলকপা টেলরদগী তাহৌবা লৈবাকশিং শীৎ-শেংবগী থবক পাঙথোকখ্রে হায়না কুম্বী ৱার্দ নম্বর-৯গী কাওন্সিল্লর বোবিচান লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, স্বাছ সর্ভেক্সন-২০২১গা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ক্লীনিনেস দ্রাইভ অদু কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাওন্সিলগী চ্যেরপর্সন ৱাহেংবম প্রিয়োরঞ্জন, এগজিক্যুটিভ ওফিসর মোইরাংথেম ইনাওবী, কাওন্সিল্লরশিং অমদি তোঙান তোঙানবা ৱার্দশিংগী ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি মেম্বর ১৮ অমসুং ষ্টাফ কয়ানা শীৎ-শেংবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি হায়রি।

লম্বী শীৎ-শেংবগী থৌরমদুগা মরী লৈননা কুম্বী ৱার্দ নম্বর-৯গী কাওন্সিল্লর বোবিচান লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা, কুম্বী খুঞ্জিলদা পাঙথোক্লিবা লম্বী শীৎ-শেংবগী থৌরম অসি স্বাছ সর্ভেক্সন-২০২১গী শরুক অমা ওইনা তরূ-তনানবা কুম্বী টাওন অমা ভারত মিশন (অর্বান)গী মখাদা ওইহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

মহাক্লা মখা তারদুনা, কুম্বী মোইরাংরোদকী য়াম্না মরু ওইরিবা লম্বী অসিদা পকশিল্লম্বা লৈবাকশিং লৌথোকখিবা অসিনা নোং তারকপা মতমদা লম্বী অসিদা থোক্কদবা এক্সিদেন্টশিংদগী খরমখৈদি ঙাকথোক্লগনি। নীংশিংবা য়াই, কুম্বী ম্যুনিসিপাল কাওন্সিল অসি স্বাছ সর্ভেক্সন-২০১৮ (ভারতকী টাওনশিং লূবা-নানবা তান্নবা)দা মণিপুর পূম্বগী পোপ্যুলেশন লাক্ষ ১গী কেটাগোরিদা সেকেন্দ পোজিশন (ক্লীনেস টাওন) অদুগা অৱাং নোংপোক ভারত নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ওইনা অহুমশুবা পোজিশন, ওইখিবা টাওন অমনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কচা দাম শাখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চনবা লল্লাই এ সিগী সৈজাং খুলদা ঙসি বি জে পি মণিপুরগী ষ্টেট কাওন্সিল মেম্বর কেঐচ ইবোমচানা কচা দাম অমা শাখ্রে। কচা দাম শাবগী থবক অদু সৈজাং প্রোগ্রেসিভ য়ুঠ ক্লব (এস পি ৱাই সি) অমদি সৈজাং ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটি (এস ভি দি সি)গা খুৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবনি হায়রি।

কচা দাম শাবদা চঙবা শেনফম অদু বি জে পি মণিপুর কাওন্সিল মেম্বর কেঐচ ইবোমচানা মহাক্কী মায়কৈদগী পুথোকপনি। লোয়নননা কচা দাম শাবদা শীজিন্নখিবা টাটা দীপর অমদি জে সি বিসু মহাক্কী মায়কৈদগী পুথোকখি হায়রি। অসিগুম্বা মীয়ামগী কান্নবগীদমক থবক থৌরম তৌবীরক্লিবা অসিগীদমক এস পি ৱাই সি অমদি সৈজাং ভিলেজ দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

মীৎয়েং চঙবীদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনিঃ এন বি সি এস য়ু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): নাওরেম বিরহরি কোলেজগী প্রিন্সিপাল সস্পেন্দ তৌখিবদগী কোলেজ অসি মপী-মপা লৈতবা কোলেজ অমগা পাংখক ওইরে হায়না নাওরেম বিরহরি কোলেজ, খুন্দ্রাকপম ষ্টুদেন্ট্স য়ুনিয়নননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, হৌজিক নাওরেম বিরহরি কোলেজদা ওইরিবা ফিভম অসিদা লৈঙাক্লা অমদি এদ্যুকেশন দিপার্টমেন্টনা মীৎয়েং চঙবীদবা অসি কোলেজ অসিবু মীরাইবীরে হায়না লৌই। অদুবু কোলেজ অসিগী ফিভম ফগৎলক্লবগীদমক নাওরেম বিরহরি কোলেজ খুন্দ্রাকপম ষ্টুদেন্ট্স য়ুনিয়নননা লৈঙাক্তগী দিমান্দ খরা তাঞ্জরি। দিমান্দশিং অদুদি- কোলেজ অসিগী মতিক চাবা প্রিন্সিপাল অমা অথুবা মতমদা থন্বীগদবনি; কোলেজ অসিগী হান্না ওইরম্বা প্রিন্সিপাল দা: এন জি একাসিনি হৌজিক সস্পেন্দ তৌদুনা লৈরিবা অমদি ওজা অসিদা শীরিবা মরালশিং অসি এন বি সি এস য়ু অসিনা য়ানীংদে, মরম অদুনা ওজা অসি খূদক্তা সস্পেন্দ হনগৎকদবনি অমদি হৌজিক কোভিদ-১৯গী মতম্লি হায়দুনা লাইরিক তম্লক্ত্রিবা অসি চহী ফাজিল্লক্কদৌরে। হৌজিক ফাওবা কোলেজ অসিগী ওইবা একাদেমিক এক্টিভিটিজ অমফাওবা তৌদনা লাক্লি। অদুনা হায়রিবা একাদেমিক এক্টিভিটিজ তৌদনা লৈরিবা অসি খূদক্তগী কোলেজ অসিদা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগীদমক য়েংলগা একাদেমিক এক্টিভিটিজ পাঙথোক্লবা হোৎনবীগদবনি হায়রি।

হায়রিবা দিমান্দশিং অসি গভর্ণমেন্ট অমদি দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা ওন্থোকপীরক্ত্রবদি নাওরেম বিরহরি কোলেজ খুন্দ্রাকপম ষ্টুদেন্ট্স য়ুনিয়নননা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লক্লবসু শেম-শারে হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মফম অনীদা এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): মণিপুর ফায়র সর্ভিস দিপার্টমেন্টনা শীন্দুনা মৈহৌ লাংপোক্তগী ঙাকথোক্লবা ফায়র এন্দ লাইফ সেফটিগী মতাংদা মীয়ামদা এৱ্যেরনেস পীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

শোর্টদ্যুরেশন ট্রেনিং এন্দ এৱারনেস প্রোগ্রাম ওফ ফায়র এন্দ লাইফ সেফটি হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু পেলেস কম্পাওন্দদা লৈবা এদভান্স হোস্পিটাল অমসুং সগোলবন্দদা লৈবা মাদর্স ক্যের চিলদ্রেন হোস্পিটালদা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ফায়র সর্ভিস দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর এল নবচন্দ্র অমদি মহাক্কী ষ্টাফশিংগা পূন্না খুৎশম্নরগা মৈহৌ লাংপোক্তগী ঙাকথোক্লবা ফায়র এন্দ লাইফ সেফটিগী মতাংদা মীয়ামদা এৱ্যেরনেস পীবগী থৌরম অদুদ পাঙথোকখিবনি।

দি সীশিং অমদি এস পিশিংনা...

লামায় ১গী মখা... লৈবা মান্দপশিং, কম্যুনিটি হোলশিং খক্তদা পাঙথোকপগী অয়াবা পীরগনি। মসিনা হায়রিবা থৌরমশিং অসিদা মী কয়া য়াম্না তীনবগে হায়বদুসু মোনিটর তৌবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎহনবা ঙমগনি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওফিসনা মাঙজৌননা ইস্যু তৌখ্রবা পর্মিটশিংদি চৎনগনি। অদুমকপু লল্লাই য়ুমশিংদা মসিগুম্বা মখলগী থৌরমশিং অসি পাঙথোকপগী অনৌবা পর্মিট পীবদি মখা তাবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা খুদক্তগী লেপ্লগনি হায়নসু ওর্দর অদুদা পল্লি।

অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নার এন বন্দনানা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা কোভিদ এপ্রোপ্রিয়েট বিহেবিয়র ঙাক্তবা মীওইশিং মণিপুর ইপিদেমিক দিজিজেজ (এনফোর্সমেন্ট ওফ কোভিদ-১৯ গাইদলাইন্স) রেগ্যুলেসন্স ২০২০গী মতুংইন্না পেনেলাইজ তৌরগনি। লোয়নননা কনাগুম্বা মীওই নৎত্রগা ওর্গনাইজেসন অমনা মরী লৈনবা ওথোরিটিদগী পর্মিসন লৌদনা ফঙ্কসনশিং, গেদরিংশিং অমদি মীটিংশিং পাঙথোক্লম্লবদি লোগী মতুংইন্না এক্সন লৌখৎলগনি হায়রি।

দিজমনিগী সস্পেন্সন ওর্দর হায়...

লামায় ১গী মখা... হায়খিবনি। এন দিজমনিগী মায়কৈদগী মহাকপু ফম অসিদগী সস্পেন্দ তৌবগী ওর্দর অদুবু শীংনরদুনা কোর্ট অসিদা রিট পিটিশন (সিভিল) নম্বর-৫৩৬ ওফ ২০২০ ফাইল তৌরকখিবনি।

পিটিশন অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সি এ এফ এন্দ পি দিগী কমিশ্নর অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরিনি। পিটিশ্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা মহাক্কী সস্পেন্সন ওর্দর অসি সেন্ট্রেল সিভিল সর্ভিসেস (ক্লাসিফিকেশন, কন্ট্রোল এন্দ আপীল) রুল্স, ১৯৬৫ গী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংগী মতুং ইন্না অকক্লবা নুমিৎ মশীং (নুমিৎ ৯০) গী মনুংদা রিভিয়্যু তৌখিদবা অসি সি সি এস রুল্স, ১৯৬৫ গী প্রোভিজনশিংবু ভাইওলেট তৌবনি। মরম অদুনা মহাক্কী সস্পেন্সন ওর্দর অসি চৎনহনবীফম থোক্তে হায়রকখিবনি।

পিটিশন অসি জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চনা লৌখৎলগা খন্নবা হৌখি। অদুগা মসিগী অরোইবা হীয়ারিং থা অসিগী ২ দা পাঙথোক্লগা রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি লাউথোকখিবনি।

কোর্টকী ওর্দর অসিদা পিটিশন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট অনীগী মায়কৈদা লেপখিবা গভর্ণমেন্ট এদভোকেটনা পিটিশ্নরগী সস্পেন্সন ওর্দর অসি রিভিয়্যু তৌনবগীদমক কম্মিটি অমা শেমখি। অদুবু কম্মিটি অদুগী চ্যেরমেন ওইরিবা মীওই অদু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী হোস্পিটলাইজ তৌখিবনা মরম ওইদুনা মহাক্কী সস্পেন্সন ওর্দর অসি রিভিয়্যু তৌখিদবনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

কোর্টনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট অমসুং পিটিশ্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র এদভোকেট টিঐচ ইবোহলগী সবমিশনশিং তারবা মতুংদা পিটিশ্নরবু দিষ্ট্রিক্ট কঞ্জ্যুমর দিস্প্যুট রিদ্রেসেল ফোরম, ইম্ফালগী প্রিসিদেন্ট ওইবদগী সস্পেন্দ তৌখিবা ওর্দর অদু চৎনহন্দনা থম্লে হায়দুনা লাউথোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, পিটিশ্নরবু সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌখিবা সি এ এফ এন্দ পি দিগী জোইন্ট সেক্রেটরিগী ওর্দর অদুদা মহাক পূং ৪৮-দগী হেন্না পুলিস কষ্টদিদা দিটেন তৌদুনা থমখিবনা মরম ওইরদুনা মহাকপু সস্পেন্দ তৌখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

লোয়নননা পিটিশ্নরগী লোয়নবী থোকচোম নিঙোল নাওরেম ওংবী রেখা মেমচাবু মশাগী ময়ূম মক্তদা মে ২৯, ২০১৯দা মীহাৎ থিনা হাৎলমখিবা থৌদোক্কী মতাংদা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেশন্না রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর-৯৪ (৫) ২০১৯ অন্দর সেক্সন-৩০২/১২০-বি/৩৪/২০১ আই পি সিগা মরী লৈননা পিটিশ্নর অসি পুলিসনা মে ৩১, ২০১৯দা ফারবা মতুংদা জুদিশল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখিবনি। অদুগা মহাক্কী মথক্তা কেস অসিগী চার্জসীট থাগৎলকপদগী হৌজিক সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা মসিগী ৱায়েল চৎথরিবনি।

ফিভম শোক্লবা শওন্থুংদগীনা সগোলমাঙগী লম্বী লন্নাই পোকেটতগী শেন্নগনিঃ বোয়

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শওন্থুংদগীনা সগোলমাঙ ফাওবগী লম্বীগী ফিভম ফত্তনা লৈরিবা অসিদা জে এ সিগী অপাম্বা মতুং ইন্না য়াম্না মশামক্লা থুনা লন্নাই ফুরিৎখাওদগী শেল অমসুং মথৌ তাবা মচাক-মথুম পুথোক্তুনা শেন্নগনি হায়না ঙসি হৈককমপাল কম্যুনিটি হোলদা জে এ সিগী মীহুৎশিংগা উনবদা সোশল ৱর্কর অমসুং ইচমগী হান্নগী প্রসিদেন্ট এন বোয় এলিয়জ রাজেন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

মীফম অদুদা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, জে এ সি শেমদ্রিঙৈ মমাঙদা পাউচেশিংদা থেংনবদা শওন্থুংদগী সগোলমাঙ ফাওবগী লম্বী অসি য়াম্না ফিভম শোক্লে হায়দুনা হাপ্লকপা পাউ কয়া থেংনখি। পাউ অদু হেক ফংবগা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী লোয়শঙদা লম্বী অসি শেম্নবগী তকশিন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু লাইবক ফব্দি জে এ সি অমদি ক্লবনা পূন্না লম্বী অসি য়াম্না থুনা শেম-শানবগী খোঙ থাংজিনবা থেংনরে। মহাক মশামকসু মফম অসিদা লৈরুবা মরম্না লম্বী অসিগী ওইরিবা ফিভম অসি উবদা নুংঙাইতবা ফাওখি। মীয়ামগী অমদি খুন্দ্রাকপম এ সিগী খুঞ্জাশিংগী অৱাবা উবদগী জে এ সিগী অপাম্বা মতুং ইন্না লম্বী অসি য়াম্না থুনা শেন্নগনি। লোয়নননা মীশি-মীনা মখা তানা থোক্তনবা মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না লন্নাই ফুরিৎখাওদগী শেল অমসুং মথৌ তাবা মচাক-মথুম পুথোক্তুনা শেমগনি অমদি মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক্তা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পব্লিক ৱর্ক্স দিপার্টমেন্টকী এগজেক্যুটিভ ইঞ্জিনীয়র প্রকাশনা লম্বী শেম শাবগী প্রোগ্রামদা হাপ্লবা দি জি আর অমা ঙসিমক জে এ সিদা কোপি অমা খূৎশিন্নরগনি হায়খি।

হৌজিক্কী ওইনদি প্রোগ্রামদা য়াওদ্রিবনা জে এ সিনা কথোকপা ঙমদবনা অমসুং ইন্টরেষ্ট লৈবা মীওইশিংগা তানদুনা লম্বী শেম্বদা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগীদি করিসু হায়নিংঙাই লৈতে হায়খি।

জে এ সিনা থমজনিংবা ৱাফমদি লম্বী অসি মতম কুইনা য়েংশিনবীদবনা লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলকপা মীশিংগা চানদবরা হায়না খল্লি। মরম অদুনা মতমগা চুনবা মওংদা লম্বী অসি শেমজিন শাজিন্নবা হোৎনবীয়ু।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা কনভেনর, ইন-চার্জ অমসুং সেক্রেটরিশিং শরুক য়াখি।

এন আই এনা ফাখিবা সলাইগী...

লামায় ১গী মখা... য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা কেস অসিদগী বেল পীবিনবা হায়জরকখিবদগী কোর্টনা খন্নরবা মতুংদা মখোয় অহুম্মক বেল পীখিবনি।

কোর্টনা মখোয় অহুমবু লুপা লাক্ষ ১/১গী পর্সনল রিলীজ (পি আর) বোন্দ অমসুং মসিগা মান্নবা সিউরিটি অমমমগগী বেল বোন্দদা বেল পীখিবনি। লোয়নননা মখোয় অহুম্মক্কী পাসপোর্টশিং চয়োল অমগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দিপোজিট তৌনবা দিরেক্সন পীখি। লোয়নননা ঙসিদগীনা চহী অমগী ওইনা মখোয় অহুম্মক থা খূদিংগী অনীশুবা নোংমাইজিংশিংদা এন আইগী ওফিসতা চৎনবসু কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

সলাই গ্রুপ ওফ কম্পনিজ অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী মেনেজিং দিরেক্টর ওইরম্বা এন সমরজিৎ অমসুং মহাক্লা লোয়নবা য়াম্শেম বিরেনগী মথক্তা এন আই এনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা রেগ্যুলর কেস অদুগী নম্বর-১২/২০১৯/এন আই এ (গুৱাহাটি)নি। কেস অসি ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন-১২ (বি), ১২১, ১২১ (এ), ১২৩, ১২৪ (এ), ১৫৩ (এ), ৫০৫ (বি) অমসুং অন-লোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন) এক্টকী সেক্সন-১৩ অমসুং ৩৯গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

অহানবদা লঙ্গনদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অদুনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমশিংগী মায়োক্তা মণিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী লম্ফেল পুলিস ষ্টেশনন্না সুও মোটোদা কেস এফ আই আর নম্বর-২২৩ (১০), ২০১৯ অন্দর সেক্সন-১২১, ১২১-এ, ১২৩, ১৫৩ (এ), ৫০৫ (বি), ১২৪ (এ) অমসুং ১২০ (বি) আই পি সি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। অদুবু মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স (এম ঐচ এ) না নভেম্বর ১৯, ২০১৯দা পীরকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না কেস অসি এন আই এ (গুৱাহাটি)দা ট্রান্সফর তৌখিবনি।

এজেন্সি অসিনা কেস অসি লৌখৎতুনা মসিগী ইনভেষ্টিগেশন চৎথরকপদগী কম্পনি অসিগী য়াওনা স্মার্ট সোসাইটিগী ওফিসশিং থিংজিন্দুনা থম্লকপগা লোয়নননা কম্পনি অসিগী তোঙান তোঙানবা বেঙ্কশিংদা লৈবা একাওন্ট ৩৬ ফ্রীজ তৌদুনা থমজিল্লকখিবনি। অদুবু মসিগী মায়োক্তা হৌজিক সলাইগী মেনেজিং দিরেক্টর অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরবা ঈ ব্রোজেন্দ্রোনা কোর্ট অসিদা ৱাকৎলকপদগী মমাঙ থাগী ২ দা পীখিবা ওর্দর অমনা সলাই অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী ওফিসশিং হাংদোকপদা অয়াবা পীখিবগা লোয়নননা বেঙ্ক একাওন্টশিং অদুসু শীজিন্নবা য়াহনখিবনি। অদুমকপু স্পেশল জজ (এন আই এ), মণিপুরগী জজমেন্ট অদুগী মায়োক্তা এন আই এগী মায়কৈদগী ক্রিমিনেল আপীলশিং হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরক্তুনা মসিগী ৱায়েল হৌজিক চৎথরিবনি।

অমরোমদা, ঙসি স্পেশল জজ অসিনা বেল পীখ্রবা এন আই এগী মীওইশিং অদুগী মনুংদা ঈ ব্রোজেন্দ্রো অমসুং এন বিশ্বজিৎকীদি মশা মশানা কোর্টতা বেল বোন্দশিংদা খূৎয়েক পীরখি। অদুবু একে দিপানন্দগীদি কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী জেনিম্সকী কোভিদ ক্যের সেন্টরদা লৈদুনা লায়েংবদগী মশা লাকখিদে। অদুনা মহাক্কী বেল বোন্দদি ফর্নিস তৌখিদ্রি হায়রি।

মোইরাংথেম ইবোতোম্বী লৈখিদবগী...

লামায় ১গী মখা... পেন্সন য়েন্থোকপনা মপূং ওইবা থৌরম ওইখি।

মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী) গী প্রিসিদেন্টসু ওইরিবা মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিএল চেরিটেবল ত্রষ্টকী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম ওকেন্দ্রোনা হায়খিবদা লৈখিদ্রবনা পামজরম্বা লম্বী অদুদা ঐখোয় পূন্না চৎপা হায়না লৈবাক মীয়াম অমদি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়ামদা খঙহঞ্জখ্রে। এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা লৈরিবা লৈত-লায়র অমদি লুখ্রা ওইহৌরবা লোয়নননা লৈঙাক্কী পেন্সন ফংদ্রিবা অহল লমনশিং পূন্না মীওই ১৬০২দা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১২ ফাওবা মাগী মাগী য়ূমদা চৎতুনা লৈঙাক্কী এস ও পি ঙাক্লা য়েন্থোক্কনি হায়খি।

ইবোতোম্বী মেমোরিএল ত্রষ্টনা পামজরিবা ‘ঈংনা চিক্লা লৈবা, মীহাৎ মীপূন লৈতবা মণিপুর’ অমা ওইনবগী মঙলান্দা লেপ্তুনা ঙসি ফাওবা পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়রদুনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী মীয়াম্না চাউনা মতেং পাংবীবনা ঙসিদি এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা নত্তনা মণিপুর পূম্নমক্তা ঐখোয়না নীংজবা মঙলান অমদি লাউদুনা লাকপা অদুনা ঙসিদি ঈং-তপ্পা মওংদা খরদং ওইরবসু হঞ্জিল্লকপা অমদি থৌদাংমক লৌজখিদ্রবসু চহী ২৬ চূপ্পা লাউজরকপগী মহয় খরদি ফংলকপদা ত্রষ্টনসু নুংঙাইবা ফাওজৈ হায়না এম ওকেন্দ্রোনা মখা তাখি।

ঙসিগী নীংশিং নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পেন্সন য়েন্থোকপা হৌরিবা অসিসু মীওই অমদা থা ১২গী ওইনা লুপা ২৪০০/২৪০০ খূৎশিন্নখি। ঐখোয়বু নুংশিজবা মরুপ মপাংশিংনা পাংবীরকপা শেনফমশিংনা পীজবনি হায়রদুনা মসিদা নত্তনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী কেন্সর পেসেন্টশিংদসু ত্রষ্ট অসিনা লুপা লিশীং ১/১ পীদুনা লাক্লি। হৌজিক ফাওবদা পেসেন্ট ২০০গী মথক্তা মতেং পাংখ্রে। মসিদা নত্তনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা মেদিকেলগী লম্দা খোঙদারক্লিবা মহৈরোয়শিংদসু ত্রষ্ট অসিনা লুপা লিশীং ৫/৫গী মতেং পাংদুনা লাক্লি হায়খি।

রিজাইন তৌখ্রবা এক্স এম এল এশিংগী কেস

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিগী টিকেটতা কারকখিবা এম এল এশিংগী মনুংদগী পার্টি অসিবু থাদোকপদা নত্তনা এম এল এ ওইবদগী রিজিগনেশন লেট্টরশিং পীশিনখ্রে হায়রিবা এক্স এম এল এ অহুম্না মখোয়গী রিজিগনেশন লেট্টরশিংবু স্পীকরনা অয়াবা পীরকপগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিশনশিংগী ৱায়েল মখা তানা চৎখিগদৌরি।

এক্স এম এল এশিং অদুদি- সামুএল জেন্দাই, টি থাংজালম হাওকিপ অমসুং সোইবম সুভাসচন্দ্রনি। মখোয়না পিটিশ্নরশিং ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিশন (সিভিল) শিংনা মথংশীংনা ৩৯৬ ওফ ২০২০, ৩৮৭ ওফ ২০২০ অমসুং ৪৩৩ ওফ ২০২০নি। পিটিশন অহুম্মক্কী মখা তাবা ৱায়েলগীদমক হয়েং জষ্টিস লাংনুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌখ্রে।

কেলেন্দর ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস): ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়র কম্মিটি, থোংজু ফৈজালৈতোংনা পুথোকপা কুমজা ২০২১গী কেলেন্দর কম্মিটি অসিগী প্রসিদেন্ট অমদি থৌ পুবশিংনা ফোঙখ্রে।

কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লা ফৈজালৈতোং কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়র কম্মিটিগী মেম্বর কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

ক্বাক্তাদা টিদ্দিম লম্বী থিংখ্রে...

লামায় ১গী মখা... থৌদোক অদুদা খোঙজং চঙশিল্লিবা কাঙবুনা নূংনা থারকপা অমদি নাওরিনচিংবা কাপ্লকপদগী পুলিসনা হন্দুনা টিয়র গ্যাস, স্মোক বোমনচিংবা কাপ্তুনা মীয়াম অদু তানখায়খি। মদুদা মীওই অহুমলোম অশোক অপন নংবদগী মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

লম্বী থিংলম্বশিং অদু পুলিসনা তানখায়রুবা মতুংদা নুমিদাংৱাইরম অমুক ক্বাক্তাগী এরিয়াদা মীয়াম্না মখা তানা লম্বী থিংখি। টিদ্দিম লম্বীগী ক্বাক্তা এরিয়াদা লম্বী থিংখিবা অদুনা মরম ওইদুনা চুড়াচান্দপুরদগী ইম্ফালদা চৎকদবা গাড়ীশিং কংবাই ফাওরগা কুম্বীরোমদা চৎনখি হায়রি।

বিষ্ণুপুর, সেকমাই অমসুং চীংগী...

লামায় ১গী মখা... ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা লল্লোন-ইতিক্কী থবক নৌনা অমুক হৌবদা মতেং ওইরগনি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লীচিং মখাদা লৈঙাক অসিনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংনবা হোৎনরি। ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনসু লোনগী শেনফম অসি মতম চানা শিঙ্গৎপীয়ু। লোয়নননা মখা তানা হেন্না চাউবা শেনফমগী লোন লৌননবা হোৎনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ, পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর এল দিখো, ৱাটর রিসোর্সেস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, ফোরেষ্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেন, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোই, সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রত, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন কে লৈসিও, প্লান্নিং এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী চ্যেরমেন টি রোবিন্দ্রো, মণিপুর ইন্দষ্ট্রিএল দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ (মনিদকো)গী চ্যেরমেন ডা. রাধেশ্যাম য়ুন্নাম, মণিপুর বিল্ডিং এন্দ অদর কন্সত্রক্সন ৱর্করস ৱেলফেয়র বোর্দকী চ্যেরমেন ঐচ দিঙ্গো, এম এল এ ঙমথং হাওকিপ, এম এল এ পি শরতচন্দ্র, এম এল এ পি ব্রোজেন অমদি চীফ সেক্রেটরি ডা. রাজেশ কুমারসু দেজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি য়েন্থোকখিবা লোনশিং অদু প্রধান মন্ত্রি ষ্ট্রিট ভেন্দরস অত্মা নির্ভর নিধিগী মখাদা ষ্ট্রিট ভেন্দর ৩০১৫ অমসুং মুদ্রা স্কিমগী মখাদা ষ্ট্রিট ভেন্দর ৩৪৭ দা পীবা লোনশিংনি। লোন য়েন্থোকপগী থৌরম অসি ঙসিগী অসিনা অহুল্লকশুবনি।

মশা লূল্লবী নুপী ১ মপুরোয়বগা...

লামায় ১গী মখা... নুমিৎশিং অদুদি মখোয়গী ফাদোক্কী মতমশিং অসিদগী ককথগনি হায়রি।

স্পেশল কোর্ট অসিগী জজ দল্লিয়ু তোনেন মৈতৈনা পীখিবা ওর্দর অসিনা মখা তানা খঙহনখিবদা ফাদোক তারবা মতৈ-মনাও অনীসিদগী পুলিসনা রিকোভর তৌখিবা লুপা ১,১৩,১৫০ গী শেনফম অদু মখোয় অনীনা ইল্লিগেল দ্রগশিং য়োনবগীনি হায়দুনা চার্জ তৌরক্লবসু মসিগী মতিক চাবা ইভিদেন্টশিংনা কোর্টনা ফংদবনা মখোয় অনীদগী সীজ তৌখিবা শেনফম অসিগা লোয়নননা অতৈ পোৎলম পূম্নমক হান্ননা মখোয় অনীনা ফংদ্রিবা ওইরগদি ঙসিদগী থা অমগী মনুংদা মখোয় অনীদা হন্দোকখিনবসু কোর্টনা খঙহনখি। লোয়নননা থা অহুমগী অঙাং নাউপুরবী নুপী অসিগীদমক্তা জেল ওথোরিটিনা মতিক চাবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি হায়বগা লোয়নননা মখোয়দগী ফাগৎখিবা দ্রগশিং অদু লোগী মতুং ইন্না মসিগী আপীল পেরদ লোইরবা মতুংদা দিস্পোজ তৌনবসু খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, মখোয় অনীমক হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী মে ৪ দা এন এ বি অমসুং মোরে পোষ্ট কমান্দোগী কম্বাইন্দ টীম অমনা মখোয়গী ময়ূমদগী ফাগৎখিবনি।

কোর্ট অসিনা কেস অসিগী ৱায়েল চৎথরকপদা প্রোজিক্যুশনগী মায়কৈদা স্পেশল পব্লিক প্রোজিক্যুটর কোসিয়া মাওনা লেপখি। অদুগা ফাদোকপা তারবা মতৈ-মনাও অসিগী মায়কৈদনা এদভোকেট এস সৈতেন্দ্রনা লেপখি।

পূং ২৪গী মনুংদা পোজিটিভ...

লামায় ১গী মখা... পর্সনেলগী ৩১৮২ নি। পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ২২,৯৯৭ শুরে। ফগৎলক্লবা কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২০,০৮০ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেলগী ২৯১৭নি। ফগৎলকপগী চাংনা চাদা ৮৭.৬৭ ওইরি। অদুগা কেস ২৯১৯ না এক্টিভ ওইরি। এক্টিভ কেসশিং অসি জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ২৬৫৮ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২৬১ নি। মীওই ১৪৯সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

ꯄꯥꯝꯖꯩ / মীওই অনী পামজৈ

মশাগী চহী ৩৫ দগী ৫৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা চৌকিদারগী থবক পুবগা লোয়নননা ইংখোল কোইবা হৈবা মীওই অনী অথুবগী ওইনা পামজৈ। তোলোপ মতীক চানা পীজগনি।

অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগী মোবাইল নম্বর অসিদা অয়ূক পূং ১০ দগী নুমিদাংৱাইরম পূং ৫ ফাওবগী মনুংদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-C/20/4,5,6,7,8
# 7423081322